## লমজিং মৈরা...

*লামায় ১গী মখা...* চৎনরিবা আই এল পি অসিদি বেজয়র য়াওদে। মমিংগী ওইনা চৎনবনি। মী কয়াম চঙখ্রে, কয়াম লৈখ্রে, কয়াম রিন্যু তৌবা লৈখ্রবগে হায়বা অদুগী দেটা লৈঙাক্লা মীয়ামদা খঙহন্দে। ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা আই এল পিগী পাস য়াওদবা মীওইশিং ফাগৎপা, কোর্টতা পুথোকপা, জেলদা থাজিনবা অমত্তা লৈতে। মসিনা তাকপদি য়াম্না কূপ্না মোনিটর তৌদে হায়বদু তাকপনি হায়খি।

থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলশিং জে সী আই এল পি এসকী ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী কনভিনর সাপম খুমননা মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 88.402741 |
| US Dollar | 74.735895 |
| British Pound | 103.057338 |
| Australian Dollar | 55.610066 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.532180 |
| Japanese Yen | 0.679374 |
| Malaysian Ringgit | 17.868444 |
| Singapore Dollar | 55.295469 |
| South Korean Won | 0.065081 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.929572 |
| Thai Baht | 2.300569 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 47855.00 |
| Mumbai | – | Rs | 47910.00 |
| Delhi | – | Rs | 47764.00 |
| Kolkata | – | Rs | 47970.00 |

## GAS NEWS

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 13-06-21
**B/upto - 16-06-21**
**Stock 306**
7am to 10am
**MANIPUR GAS SERVICE**
**Booking upto : 19/06/2021**
Valid from : 28/05/2021
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Offi ce Timing: 8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS
1. Poumai Colony, Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam - 9863385995
2. Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei and Lamsang A/C etc. 8787857518
3. Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top7424085506
4. Laipham Khunou, Sangakpham, Nagaram, Dewlahland, Khoyathong, Nagamapal and Uripok Road, Namdunlong - 8414886475
5. Hatta, Tellipati, New Checkon, Ragailong, Wangkhei, Soibam Leikai, Kshetrigao A/C Kongba etc. 7005282449/9366468676
6. Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung - 7005439154
7. Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Yaiskul, Moirangkhom and Singjamei A/C. etc. 8131832195
8. For, Complain and Enquiry Number - 8259969582
Time : 8.00 am. to 12.00 noon. 8730954041
Delivery time will take 4 days
**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 am 12:00 Noon
**BOOKING: 28.06.21**
VALID : 17.06.21
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900(ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS
**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 03-06-21**
Valid from 31-05-21
Only home delivery within 4 days
Office no. 8794313865
Home delivery contact no 7005013837, 9612023095 9366008621
Whatsapp no 8794973019
Time 7.30am to 11.am
**M/s K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636./ -9862791279 /9774213728 /9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728*
TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 8258856407 / 7005588556 / *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837./ 9089542175
Enquiry no. 9856134465
**GBD INDANE SERVICE**
**Booking upto :-24/06/2021**
Valid from :- 11/05/2021
**Stock :- 281**
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-11 AM and 2pm -4pm (Everyday Except Holiday )
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 07/05/2021
**BOOKING UPTO: 08/05/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677
(KINDLY UPDATE LATEST MOBILE NO)
TIMING: 8:00AM to 12:00 PM
(HOME DELIVERY ONLY)

# লম লৈবা-য়োনবগী রেজিষ্ট্রেসন্দা কেবিনেট সব কম্মিটিগী কনফার্মেসন চঙগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৮ (ঐচএনএস): জন্যুৱারী ১০, ২০২০দা থোকখিবা সেক্রেটরিএট : রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী ওফিস মেমোরেন্দম অমনা ষ্টেট অসিগী লম লৈবা-য়োনবা অমসুং গীফ্টকী রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা মতম খরগী ওইনা থম্লকখিবা অথিংবশিং অদু লৌথোক্লে হায়দুনা লোয়শঙ অসিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (রেভিন্যু) এল গিটচন্দ্রনা ঙরাং ওফিস মেমোরেন্দম অমা থোকখ্রে।

অদুম ওইনমক লম লৈবা-য়োনবগী রেজিষ্ট্রেসন তৌববু মতম খরগী ওইনা চৎনহন্দনা থম্লকখিবা অদু লৌথোক্লবসু ষ্টেট অসিগী পর্মিনেন্ট রেসিদেন্টশিংগী মরক্তগী লম লৈবা-য়োনবগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবা মতমদা রেভিন্যু মিনিষ্টরনা চ্যেরপর্সন ওইরগা লো মিনিষ্টর অমসুং এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা মেম্বরশিং ওইবা কেবিনেট সব কম্মিটিগী অয়াবা লৌগদবনি হায়রি।

লোয়ননা লম লৈরিবা মীওই অদুগী মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা পীবা পি আর সী (পর্মিনেন্ট রেসিদেন্স সর্টিফিকেট) য়াওগদবনি। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংগী খূথাংদা লম লৈরিবা মীওই অদুগী পুলিস ভেরিফিকেসনগী থবক য়াওগদবনি হায়বগা লোয়ননা লম অদু লৈবদা শীজিন্নবা শেনফমশিং অদুগী লাকফমসু ভেরিফিকেসন অসিনা কোনশিনবগা লোয়ননা লৈরিবা মীওই অদুগী ক্রিমিনেল এন্টিসিদেন্সনচিংবসু কোনশিনগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক মণিপুর লেন্দ রেভিন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্ম এক্ট, ১৯৬০না পীবা ৱাহন্থোক্কী মতুংইন্না ইমুং অমগী মীওইশিংগী মরক্তা গীফ্ট দীদ তৌনবগী মতাংদদি মথক্তা পল্লিবা কন্দিসনশিং অসি য়াওদ্রবসু য়াগনি হায়রি। ওফিস মেমোরেন্দম অসি জুন ২৩, ২০২১দা ষ্টেট কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না থোকপনি হায়রি।

# দি জি পিনা গভর্ণমেন্টতা হায়রকপা ৱাফম থবক্তা...

*লামায় ১গী মখা...* সেনিয়ারিটি লিষ্ট শেমদুনা ফাইনেলাইজ তৌবীয়ু।

হোম গার্দ ওর্গনাইজেসনবু ষ্ট্রিম লাইনিং তৌবগী প্রোসেস অথুবা মতমদা লোইশিনবীয়ু। কুমজা ২০১১দা পাঙথোকখিবা সেন্সসতা য়ূন্ফম ওইদুনা হোম গার্দশিংগী ওথোরাইজ/সেম্পসন ষ্ট্রেঙথ হেনগৎহনবীয়ু লোয়ননা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী সিভিল দিফেন্স অমসুং ফায়র সর্ভিসেসকী দিরেক্টর জেনরেল বি এল ভোরানা মার্চ ২৯, ২০০৪দা থারকখিবা চেরোল অদুগী মতুংইন্না অমসুং হোম গার্দস-১৯৮৫গী কম্পেন্দিয়ম ওফ ইন্সত্রক্সনগী মতুংইন্না দ্যুটিদা কোল আউট তৌবীয়ু। মণিপুর হোম গার্দ এক্ট অমসুং রুলসকী মতুংইন্না হোম গার্দশিংগী তোঙানবা কম্মান্দেন্ট জেনরেল অমা থম্বীয়ু হায়বনচিংবা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হোম গার্দস এক্ট অমসুং রুলস অসিবু মতমগা চুনবা মওংদা এমেন্দ/মোদিফাই তৌবীয়ু হায়বসিনি।

হায়রিবা রিপ্রজেন্টেসন অসি পীশিনদ্রিঙৈগী মমাঙদসু এসোসিএসনগী মায়কৈদগী সেপ্টেম্বর ১৬, ২০২০দা রিপ্রজেন্টেসন অমা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি পল্লদুনা পীশিনখিবা লৈখ্রে। অদুবু রিপ্রজেন্টেসন অদু থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী এসোসিএসনগী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৫৮৮ ওফ ২০২০ ফাইল তৌখ্রে। কোর্টনা কেস অদু খন্নরগা নবেম্বর ২৪, ২০২০দা পীরকখিবা ওর্দরদা সেপ্টেম্বর ১৬, ২০২০দা পীশিনখিবা রিপ্রজেন্টেসন অদু চয়োল ৮গী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্লবা খঙহল্লকখ্রবনি। অদুবু হোম গার্দকী কম্মান্দেন্ট জেনরেলসু ওইরিবা দি জি পি, মণিপুরনা মণিপুর হোম গার্দস এক্ট অমসুং রুলস অদুবু এমেন্দমেন্ট/মোদিফিকেসন তৌবগী থবক অদুদি মহাক্না ঙমদে হায়রদুনা মেট্টর অদু জন্যুৱারী ৩০, ২০২১দা অইবা চেরোল অমা হোম দিপার্টমেন্টতা পীদুনা রিফর তৌখিবনি। অদুবু দি জি পিগী মায়কৈদগী হোম দিপার্টমেন্টতা পীখিবা চেরোল অমসুং দি জি পি মশামক্লা মার্চ ৮, ২০২১দা থোকখিবা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপীরক্তে হায়দুনা এপ্রিল ১৬, ২০২১দা চীফ সেক্রেটরিদা অমুক হন্না ৱাকৎখিবনি। ৱাকৎ অদুসু থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী পিটিসন অসি ফাইল তৌবনি হায়খি।

কোর্টনা ৱাকৎ অসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (দব্লিয়ু পি - সী) নম্বর -১৯ ওফ ২০২১ অমসুং দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৫৪৬ ওফ ২০২০গা কোন্ননা থা অসিগী ৫দা লৌখৎখি। নুমিৎসিদা জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপখি। অদুগা গভর্ণমেন্ট রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট এস নিরঞ্জননা লেপখি।

কোর্টনা পিটিস্নর কাউন্সেলগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি অমসুং হোম গার্দকী কম্মান্দেন্টদা নোটিশ ইস্যু তৌখি। লোয়ননা মেট্টর অসি মখা তানা খন্ননবগীদমক মথং থাগী ৯দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি। অদুম ওইনমক মরক্কী ওইবা কোর্টকী দিরেক্সন অমনা মণিপুর হোম গার্দস এমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মায়কৈদগী এপ্রিল ১৬, ২০২১দা পীশিল্লকখিবা রিপ্রজেন্টেসন অদু খন্নরগা মদুগী মতুংইন্না এপ্রোপ্রিএট ওর্দর অমা থোক্লবা চীফ সেক্রেটরিদা খঙহনখি।

# কোরকোমনা ১০শুবা মপোক কুমওন নুমিৎকী মীয়ামদা য়াইফ...

(ঙরাংগী মখা)...মখোয়গী অশোয়বদগী লৈখিদ্রবশিং অদুদা পীফম থোকপা কম্পেন্সেসন ফাওবা পীদনবা হোৎনরকপদগী সুপ্রিম কোর্টনা হায়রক্লবা মতমদদা পীনবা থৌরাং তৌরকখি। মখোয়না লাইনীং অমখক্তদা করাম চাওবা উৎথোক্তুনা কুম্ভ মেলা থা কয়া চঙনা পাঙথোকখিবা অমসুং অঙম্বা পাম্বৈ পূম্নমক শীজিন্নদুনা লৈঙাক্কী মতিক মঙম পায়দবা য়াদে হায়বসিদা পূক্নিং চপ য়ুংখিদুনা মীয়ামগী পুন্সিবু পোন্থা পীদুনা ষ্টেট খরদা মীখল পাঙথোকখিবদুনা ঙসিগী অসুক য়াম্বা মীশি মীনা থোক্লিবা অসিগী মরমনি হায়রি।

পেন্দমিক অসিনা অচৌবা ইকনমিক ক্রাইসিস অমা থোকহল্লে। মসি লোইশিন্দ্রবদি মালেমগী ইকনমিদা হেন্না হেন্না চৈথেং পীরক্দৌরি। পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং নিংথিনা ফংনদ্রে। ফংলিবা খরসিগী মমলসু নোংদোল পক্লা ৱাংলে। লোয়ননা থাওগী মমল লেপ্তুনা হেনগৎলকপনা ট্রান্সপোর্টেসন অমদি পোৎ চৈগী মমলদা অচৌবা চৈথেং পীরে। মপান থোক্না অমদি য়ূমদা শু নোম্লম্বশিং থবক শুফম লৈতদুনা নোংমগী চরা তানফম লৈতবগী হায়নীংঙাই লৈতনা অৱাবা মায়োক্নরি। শুফম নোমফম লৈজদ্রবশিংবু লৈঙাক্লা হন্না য়েংবীদ্রবনিনা মীয়াম তানদুনা মখোয়গী শুফম নোমফম পীমিন্নবা মথৌ তাই হায়রি।

পেন্দমিক অসিনা খ্বাইদগী শোকহল্লিবসি তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্দৌরিবা নৌরিবা মহৈরোয়শিংনি। অহানবা অমসুং অনীশুবা ৱেভ থোক্তুনা মহৈশঙশিং ঙাইহাক লৈতনা থিংজিল্লি। মদুনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী অঙাংশিং অমসুং নহাশিংদা চৈফু পীদুনা মখোয়গী এদ্যুকেসন, খুন্নাইলোন অমসুং পূক্নিংদা হায়নীংঙাই লৈতনা অমাঙ অতা কয়া থোকহল্লে। পেন্দমিক অসিনা মহৈশঙ পূম্নমক থিংজিনখিবদগী হৌজিক্কী ওইনা অঙাংশিংবু মহৈ তম্বীবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নরিবা ওনলাইন ক্লাস অসিসু খরা চাওখৎপা মফমদা লৈবা, শেল থুমগী ফীভম খরা ফবা মহৈরোয়শিংগী ওইনা তৌরি। ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা লৈতবা, নেটৱার্কফংদবা, কম্প্যুটর নৎত্রগা স্মার্ট ফোন লৈজদবা মহৈরোয় কয়াগী মফমদদি মতম অমদি শেল চঙনা পেন্দমিক মনুংদা অঙাংশিং মহৈ তম্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নরিবা ওনলাইন ক্লাস অসি অরেম্বা ওইরি। মসিনা লায়রবা অমসুং ইনাক খুনবা অনীগী মরক্তা খারিবা চেক্পল হেন্না হেন্না ৱাংখৎলকই। তশেংনমক ওনলাইন ক্লাস অসি চাওখৎপা মফমদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী মফমদা কান্নবা খরা ফংলবসু চাওখৎপা ৱাৎলিবা মফমদা লৈবা লায়রবশিংগী মফমদদি দিসক্রিমিনেসনগী শক্তমলা হায়বা ৱাফম লাকই হায়রি।

পেন্দমিক অসি তোখায় তোখায়না থেংনবা য়াদবা মালেমগী লৈবাকশিংনা পুকচেল তিন্ননা অমত্তা ওইনা অকক্লবা মতম অমদা পূন্না থেংনমিন্নগদবা লাঞ্জংনি। গ্লোবেল ভিলেজ অমা ওইরবা ঙসিগী মালেম অসিদা লৈবাক পূম্নমক মতম অমত্তদা ভেক্সিন কাপথোক্তবদি লৈবাক খরনা ঐখোয়দি ইনাক খুল্লে, ভেক্সিন মরাং কায়না লৈরে হায়দুনা মখোয় খক্তং হান্না কাপ্লবসু থোইদোক্লা কান্ননীংঙাই ওইদে। পেন্দমিক অসি মতম অমত্তদা মালেমগী লৈবাক পূম্নমক মুখৎত্রবদি লৈবাক অমা ফাওবা মুখৎপা ঙম্লোই। মচি অমদগী হেক্তা হৌরক্কনি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী চীফ ডা. টেদ্রোস অধানোম গেব্রেয়েসসনা লৈবাকশিংদা লাক্লিবা সেপ্টেম্বরদা চাদা ১০, ২০২১ লোইশিল্লকপদনা চাদা ৪০ অদুগা ২০২২গী ময়ায় চল্লকপদনা চাদা ৭০ ভেক্সিন কাপথোক্লবা কন্না তকশিল্লি। লৈবাক খরনা ভেক্সিনগী চাং ৱাংনা কাপ্লে, অদুবু লৈবাক খরদি হেল্থ ৱার্কর, অহলশিং অমসুং খুদোংথিনীংঙাই ওইরবশিং য়াওনা ভেক্সিন নিংথিনা কাপত্রি। ভেক্সিন কাপ্পদা থোং মান্নদবগী ফীভম চাওনা লৈবা অসিনা টু-ত্রেক্ট পেন্দমিক লাকহন্নবগী অচৌবা মরম ওইহল্লি হায়রি।

রুসিয়াদা দেলটা ভেরিএন্টনা য়াম্না য়াঙনা অমসুং শাথীবা মওংদা শন্দোরক্তুনা মী শিবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী লৈবাক অদুদা ভেক্সিন কাপখিবা থা তরুক শুরবা মীওই পূম্নমক অমুক হন্না ভেক্সিন কাপকদৌরি। লৈবাক অদুনা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপগী মরমদি নৌনা থোরক্লিবা দেলটানা খুদোংথিনীংঙাই ওইবা মওংদা য়াঙনা শন্দোরক্তুনা মী শিবা অমসুং নাবগী চাং খংৱাং ৱাংখৎলকপা লোয়ননা ভেক্সিন্না পীরিবা ইম্যুনগী মপুন্সিগী অকক্লবা মতম খঙদবদগীনি অমদি লৈবাক অদুগী মীওইশিংগী চাদা ৬০ ভেক্সিন কাপত্রিবা ফাওবা মীওই খুদিং থা তরুক খুদিংগী ভেক্সিন কাপখিগনি হায়রি।

মণিপুর (কংলৈপাক) কী ওইনা কোভিদনা লৈখিদবা মীওই ১২০০ হেনখ্রে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লাইচৎ অসিদগী মীয়াম্বু কন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নরিবসি ভেক্সিন কাপ্পনি। মণিপুর (কংলৈপাক) কী হকশেল লোয়শঙনা লমদমসিগী ভেক্সিন কাপকদবা মীওই মশীংদি লাখ ১৯,৮৫নি হায়রি। অদুগা থবক অসি চহীসিগী দিসেম্বর ৩১দা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি। অদুবু ভেক্সিন কাপ্পগী খোঙজেল হায়নীংঙাই লৈতনা তপ্পনা ঙমগনি হায়বা কনানসু থাজদে। অনীশুবা ৱেভ অসি হান্না সেপ্টেম্বর-ওক্টোবরদা লাকপা য়াই হায়নখিবদু দেলটা ভেরিএন্টকী অনৌবা ম্যুটেসনশিং মথং মথং থোচিল্লক্তুনা ভাইরস অসি শন্দোকপগী চাং খংয়াঙ য়াঙশিল্লক্লবদি মীয়ামগী পুন্সি অরুবা ফীভমদা লৈরে। কোভিদ-১৯ মপূং ফানা থেংনবা হায়বসি ভেক্সিন কাপ্পা খক্লা য়ারোই। হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচরসু শেমগৎকদবনি হায়বসি দব্লিয়ু ঐচ ওগী ৱাফমনি। হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফবদা নত্তনা সেক্টর অসিদা জি দি পিগী চাদা ১৭ থাদরিবা য়ু এস ফাওবা কোভিদ-১৯ লাম্থেংনবদা ৱাখল থোক্ত্রবা মতমসিদা হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচর হায়নীংঙাই লৈতনা শোনবদা নত্তনা সেক্টর অসিদা জি দি পিগী চাদা ১.২৬তমক থাদরিবা ইন্দিয়ানা কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভ থেংননা শেম শারে, হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচরসু শেমগৎলে হায়রিবসি মীয়াম্বু অপংবা শীবনি। ঐখোয়গী ওইনদি খ্বাইদগী খুদোংথীবা অদু থোরক্কনি হায়না শেম শাবা তাই। অদুবু থোরক্লোই, লাক্লোই, মীপাইনীংঙাই ওইদে হায়বদুদি নমথাক তৌবা, ৱাখল থোক্তবশিংগী ৱাঙাঙনি, মীয়াম্না থাজফম থোক্তে হায়রি।

মণিপুর (কংলৈপাক) তা ওইরিবা কোভিদকী মতাংদা লৈঙাক্লা মরৈ অনী লোংদুনা অমুক্লা কোভিদনা কা হেন্না শোকচিল্লবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট তরুক্কী মনুংদা অমনি হায়দুনা দেল্লীদগী এক্সপার্টশিং থারক্তুনা য়েংশিল্লি। অদুগা অমুক্লা ফীভম খরা ফরে হায়দুনা বি জে পিগী লুচিংবশিং মপান্দগী লাক্লগা এস ও পি থুগাইদুনা মীয়াম্না অসুক ৱানরিঙৈসিদা মীখলগী ঈৱাং শাগৎপা হৌরে। লুরবা তাঞ্জা অসিদা মণিপুর (কংলৈপাক) মীয়ামদি ইন্দিয়াগী মীখলদা ঙাওরোইদবনি। ঐখোয়না করিগুম্বা মতম চানা চেকশিলহৌদ্রবদি হৌজিক মায়োক্নরিবা অৱাবা অসিদগী হেন্না চাউবা অৱাবা কয়া মায়োক্নরক্কনি। মীখল অসিনা ঐখোয়গী মীয়ামগী তুংলমচৎকী লাইবক লেপ্পীগদবা নত্তে। মীখল অসিদা মীয়াম্বু ফাজিন পুনশিন্দুনা থম্নবা হাইগৎ লাংনি। অদুনা লৈঙাকলোইশিংনা থাক্লিবা মীখলগী হাইগৎ লাং অসিদা মীয়াম্না থুবগী মহুত্তা ঐখোয়গী পুন্সি অমসুং তুংলমচৎ কঞ্জনবা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংনবরোমদা মায় ওনশিল্লসি হায়রি।

লৈঙাক খুদিংমক্কী নীংতম লালহৌগী খোঙচৎতা তোঙান তোঙানবা নীংতম লালহৌলূপশিং থোরকখিবা থৌওং থোকখিদবা নত্তে। অদুবু খেন্নবা পূম্নমক মতাং মতম চানা শন্দাইনদুনা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎলগা নীংতম লান থেংনদুনা মায় পাকপা পুরকখিবা ঙাক্তনি। ইরমদমগী নীংতম ঈহৌ অসিগী ফীভমগা য়াম্না মান্নবদি ঐখোয়গী নীংতম ঈহৌ অসিগী খোঙজেলগা হৌমিন কামিন্নরকপা পেলেষ্টাইন লৈবাকসু অমনি। পেলেষ্টাইন নীংতম ঈহৌগী পুৱারীদা য়াম্না শিংথানীংঙাই ওইখিবদি কুমজা ১৯৬৪দা পেলেষ্টাইনগী নীংতম ঈহৌ লূপ কয়া পূনশিন্নদুনা কাইরোদা মীফম পাঙথোক্তুনা পেলেষ্টাইন নেসনল কাউন্সিল শেম্লগা চহীদুমক্কী মে ২৮দা দেলিগেট ৪১২না শরুক য়াদুনা পেলেষ্টাইন নেসনল কাউন্সিলগী অহানবা মীফম পাঙথোক্তুনা পেলেষ্টাইন মীয়ামগী অপূনবা নীংতম লান অমা চৎথবা ঙমখিবদুনি হায়রি। খোঙথাং অসিনা নীংতম্ববু পামজবা পেলেষ্টাইন মীয়ামগী ৱাখলদা মখোয় শুংশোয় শোয়দনা নীংতম্বা ফংলগনি হায়বগী থাজবা অদুক্কী মতিক চেৎনা ফাওহনখি। মদুনা মরম ওইদুনা পেলেষ্টাইন নেসনল কাউন্সিল শেম্বদা য়াওহৌদ্রবা পোপ্যুলর ফ্রন্ট ফোর দ লিবরেসন ওফ পেলেষ্টাইন (পি এফ এল পি) না ইজরেলগা মায়োক্লবা লাম্থেংদা মখোয়গী লান্মী পি এন সীদা থারকখি হায়রি।

পেলেষ্টাইনগী নীংতম লালহৌলূপ কয়ানা মখোয়গী নীংতম ঈহৌগী ৱাখল্লোনবু মরীক চুম্না শেমগৎপা ঙমদবদগী অমগা অমগা অঙম তান্নরিঙৈদা নীংতম ঈহৌবু তুংওইননা থমদুনা লাকখি। মণিপুর (কংলৈপাক) কী নীংতম ঈহৌগী পন্থুং অমসুং ফিরেপ চপ চানা খঙলবা মতুংদা ঐখোয়না য়ূমথংনবা লৈবাকশিং নৎত্রগা অরাপ্পদা লৈবা মরুপ ওইবা য়াবশিং ঈহৌ অসিগী য়ানবা ঙমখৈগী মনুংদা খোঙবু ওইনা শেম্না য়াই। মীয়ামগী রেসিষ্টেন্স মুভমেন্ট, সেল্ফ - দিটর্মিনেসন, এলাইএন্স মিলিটেন্ট ষ্ট্রগল হায়বসি মালেমগী য়াওল্লুপশিংনা য়াওলগী লৌবুক্তা থেংনরকখিবা এক্সপরিএন্সতা য়ূন্ফম ওইবা ৱাফম ঙাক্তনি হায়রি।

মণিপুর (কংলৈপাক) নীংতম্নবগীদমক কংথোক্তুনা লেপ্পিবা নীংতম য়াওল্লুপশিং অসিগী মশীংগা মতমদুদা লৈরম্বা পেলেষ্টাইনগী লূপশিংগী মশীংগা চাংদম্নবদা পেলেষ্টাইনগীনা হেন্না মশীং য়াম্মী। অদুবু পেলেষ্টাইনগী ৱাফম লাকপা মতমদা অপিকপা ৱাখল পূম্নমক থাদোক্নদুনা লূপ ময়ামদু অমত্তা ওইনা পূনশিনখি। মণিপুর (কংলৈপাক) কী ওইনসু নীংতম য়াওল্লুপ খরা লৈরবসু অপূনবা প্লেটফোর্ম অমা শেম্বা ঙম্লিবসি য়াওল্লোইশিংগী থম্মোয়দা ইরৈপাক নুংশিবা অমসুং নীংতম্বগী ৱাখল্লোন মীৎকুপ অমা ফাওবা থাদোকপা তৌদনা মরূ হক্লা তাখিবদগী পূনশিন্নবগী তাঞ্জা লাকপা মতমদা হেক্তা চুংশিন্নবা ঙমখ্রিবনি। ঐখোয়গী য়াওল্লোইশিংনা ইরৈবাক্কী নীংতম্ববু কাউথোক্লম্লবদি অঙম তান্নবদা য়াওল্লোই মশেল মাঙমিন্নরমদুনা ঙসিগী অপূনবা ফম্বাকসি মীয়াম্না উবা ফংলমদবসু য়াই। মসি তাঞ্জা অমসুং ফীভম-মতমনা পুরকপা পুৱারীগী থিঙমদ্রবা খোঙজেলনি হায়রি।

লোয়ননা নুংশিজরবা ইরৈচাশিং হৌজিক ইরমদম অমদি মীয়াম্না অথুবদা মথৌ তারিবসি মরৌ চাওবা ইন্দিয়াগী লোইলম লাংদগী নাম্থোক্তুনা ইরমদম নীংতমহনবনি। ইরৈপাকপু নীংতমহনবা খক্তনা ঐখোয়গী মীয়াম, ঐখোয়গী ফুরুপ মালেমসিদগী মুৎখিগদবদগী কন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি হায়বসি চুম্লবা ৱাফমনি। অদুনা নীংতম য়াওল ঈহৌ অসিদা ইরৈচা পূম্নমক্লা ইশা ইশাগী থৌদাংনি খন্না চোংথোক্তুনা লাঞ্জং অসিদা য়াওশিনবীরো হায়রি।

# অমোৎপা অনীনা লৈখোম থোম্নদুনা লৈবগী মহুৎতা...

*লামায় ১গী মখা...* লৈঙাক্কী স্কুলশিং নীংথিনা মথৌ তৌবা ঙম্লি। অদুবু ঐখোয়গীদি ফ্রিদা মৈ-ঈশিং ফাওবা পীবা ঙমদ্রি। অতোপ্পা ষ্টেটশিংনা চাওখৎখিবগুম্না চাওখৎনবা হোৎনবগী মহুৎতা অপিকপা পোলিটিক্সতা অদুমক অমোৎপা অনী লৈখোম থোম্নদুনা লৈবগী ফীভমদা লৈরি। মসিগী ৱাখল্লোলদগী মপান থোক্লক্তুনা চাওখৎপগী লমজে লদা শরুক য়ানবা হোৎনহন্নিংই। ঐগী ওইনদি লৈঙাক ফৈ-ফত্তে অমদি মখোয়গা চাংদমনরোই। মদুগী মহুৎতা চাওখৎখ্রবা ষ্টেটশিংগা চপ মান্ননা থবক তৌবা, ক্বালিটি ওফ ৱর্ক অদুনি। অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী লম্বীশিংদা কোইলাস থাবদা চহী ১০ কায়দ্রগা মণিপুরদনা চহী অনীদা কায়রিবা অসি অচৌবা ৱাহংনি। লোয়ননা এম এল এ খরা দিসক্বালিফিকেসন তৌবগী থবক থৌরমশিং অদু খরা থেংমল্লি। লো অমা লৈ, য়াদে হায়বদুদি চপ চানা খঙহন্নিংই। মীয়ামগী থাজবা কায়খিবা অদু মতুংদা থোকহন্নিংদে। লোয়ননা ইবা পাবা থোক্তবা লাইরিক হৈতবা মীওইশিং ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা শরুক য়াহন্নিংদে। ইনি দয়াগী পোলিটিক্সতা শেমদোকপা মথৌ তাই।

**ৱাহং :** করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? লাক্দৌরিবা ইলেক্সন অসিদা করি-করম্বা ইস্যুদা য়ুমফম ওইরগা মীয়াম মাংদা পুখৎতুনা লাম্থেংনগে খনবিরি?

পাউ : চোংথোক-চোংশিন তৌবগী পোলিটিক্স য়েংবদা য়াম্না ৱাই। মরম অদুনা সেন্টরগী লৈঙাক্তসু য়াওরিবা জনতা দল (য়ু) গী কেন্দিদেট অমা ওইনা ভোট লেপ্পকনি। হৌজিকসু ষ্টেট অসিগী ওইনা জনতা দল (য়ু)গী ষ্টেট ভি পি ওইনা থৌ পুরি। করিগুম্বা ভোট কারবদি মিনিষ্টরিএল বর্থ অমসু শোয়দনা ফংগনি হায়বগী থাজবসু লৈ। এ সী অসিগী লৈঙাক্লা পীবা চাকথুং মীয়ামদা চপ চানা ফংহনবা অমদি মীচম মীয়ামগী শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা হোৎনবনা ঐগী ভোট লেপ্পগী পান্দমনি।

**ৱাহং :** কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ : এ সী অসিগী তৌগে খনবা থবক ময়াম অমদি লৈ। অদুবু ইহান হানবা ওইনা এ সী অসিগী মীয়ামগী হৌজিক-হৌজিক বেসিক ওইবা তঙাইফদনা মথৌ তারিবা থবকশিং অদু হান্না তৌগনি। লৈঙাক্লা পিরিবা চেঙ মশিং শুনা মীপুম খুদিংমক্তা ফংহন্নবা হোৎনগনি। ৱানা তানজবা শেল মচাশিংগী মহৈ তম্বদা শীজিন্নবনা ইমুং চাওখৎপা ঙমদ্রিবা অসি কোকপা ঙম্নবা লৈঙাক্কী স্কুলশিং ফজনা শেমগৎপা পাম্মী। লোয়ননা হেল্থ সেন্টরশিং হিংগৎহন্নবচিংবা থবক অহানবা ওইনা তৌগনি।

**ৱাহং :** নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৪ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম অসি করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : শোৎথনা লৈরিবা অসিগী মরম কয়া অমা লৈখ্রে। খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎসি হায়রবদি লৈবাক অসিগী মপি-মপা ওইবশিং, দিপার্টমেন্টশিংগী ফমদোন-ফম্নাইবা অমদি মীচম প্রজা ঐখোয় খুদিংমক য়াম্না পুকচেল শেংনা থবক তৌনবা অমা চঙই। লৈঙাক্লা থাদরিবা চাওখৎ থৌরাংগী শেলশিং য়াম্না ফজনা মোনিটর তৌবসু মথৌ তাই। কোইলাস থারবসু চহী ১০ হেন্না চৎনবা থাবিয়ু। ঐখোয়গীদি ফন্দ কোন্নদে হায়বা ঙাক্তনি। অদুগা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অরবিন্দ কেজ রিৱালনা প্রোজেক্ট অমা মায়পাক্লা তৌরবা মতুংদা প্রোজেক্ট অসি তৌবদা শেল অসুক লেম্মী হায়না মীয়ামদা উৎপা ঙম্মী। লৈঙাক্লা পুকচেল শেংনা থবক তৌরবদি প্রজাসু সপোর্ট তৌরক্নি। পুন্না চৎমিন্নবা অমা চঙলি।

**ৱাহং :** অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : লো (বি এস সী এল এল বি) লোইশিনখ্রে। অপোকপগী মীংনা লৈখিদ্রবা ৱাহেংবম বসন্ত অমদি অপোকপীগী মীংনা ক্ষেত্রিময়ুম নিংঙোল ৱাহেংবম ওংবি সুরবলা কৌই। লৈখিদ্রবা অপোকপা বসন্ত এ সী অসিগী মীয়ামগী থবক-থৌরম কয়া তৌজরম্বা সোসল ৱার্কর অমনি। ঐ ইশামকসু হোটেল ফম্বগী থবক অমদি দুকান ফাওবা তৌরম্মী। মদুগী মতুংদা টেলিকোম কন্ট্রেক্টর ওইনা থবক তৌবা হৌরকখিবনি।

**ৱাহং :** পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়না পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : এ সী অসিগী মীয়ামদা থা ১২ চেং পীগনি হায়বসি এম এল এশিংগী ফুরিৎখাউদগী পুথোক্লগা পীগদবা নত্তে। লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক পীরবা চেঙনি। তৌবতবু মদু মমাংগী এম এল এশিংনা য়ুমথোং খুদিং মশিং শুনা য়ৌহনবা ঙমদবগী ৱানি। থৌনা লৈনা পুকচেল শেংনা হোৎনরবদি য়ুমথোং খুদিং য়ৌহনবা করিগী ঙম্লোইদগে? লৈঙাক্কী স্কুল অমদি প্রাইমরি হেল্থ সেন্টরশিং শেমগৎসি হায়বসিদা ভোট লেপ্পদনা শেল কয়া থাদবা ঙম্লগা স্কুল শেম্বদা শেল খরা থাদবদি করিগী ঙম্লোই। হায়বদি তৌগে হায়না চপ য়ূংনা খল্লবদি অরাইবা ৱানি। মরম অদুনা এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক তৌগে খল্লিবা থবকশিং শোয়দনা তৌবা ঙমগনি। ঐগী এ সী অসিদা চারা হেনবা য়ুম লৈরগদি ভোট কারবসু রাজনিতিদা মায়পাকপা হায়বদু চিংদে। চারা হেল্লম্বা য়ুম অদু শেন্থোক লম্বী লৈদুনা চারা অনী চাবা ঙম্লবদি রাজনিতি তৌরিবা অসি মায়পাকপা চিংগনি।

**ৱাহং :** অদোমগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি অসিগী টোটেল ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? মিক্স ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ : টোটেল ভোটর অসি ৩৪,৫০০নি। পোলিং ষ্টেসনন্না ৪৬নি অদুগা য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্লবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী ভোটরসু লৈ।

**ৱাহং :** পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাঙ ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : পোলিটিক্স তৌবশিংনা হায়রম্বনা অমা তৌথোরকপনা অমা লিশাং শিংনা পোলিটিসিয়ানশিংনা চৎথরকখিবদগী ৱাফম অসি লাকখিবনি। মীয়াম্মসু কেন্দদেটশিংগী বেক গ্রাউন্দ য়েংবা চঙই। লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা য়েংবগী থবক অসিসু থাদোকপা ফৈ। মশাগী ইনকম অমা লৈজবা কেন্দিদেটশিং খক্তনা ভোট লেপহন্নিংই। মশাগী ইনকম লৈজবা কেন্দিদেট অমা ওইরগদি লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ লান্না শীজিন্নবগী চাং হন্থগনি হায়না খল্লি। পূম্নমক্লা পোলিটিসিয়ানশিংবু ফনা ঙাঙনদ্রবু রাজনিতিগী লম্বী অসিদা চঙলক্লিবা অসি মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অওনবা অমা অমদি মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্তবা য়াদ্রে লোয়ননা মদু ঙম্নবা হোৎনগে হায়না চঙশিল্লকপনি।

**ৱাহং :** করপসন চাওনা লৈরে পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : খুদম ওইনা হায়রবদা মহৈরোয় লাক্ষ কয়া থারিবা এগজামগী রিজল্ট থা অনীগী মনুংদা হায়দোকপা ঙম্লগা শুপ্নগী আই আর বি লিশিং ২/৩ খক লৌবগী রিজল্ট হায়দোকপদা চহী অনী করিগী চঙলিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি। হায়জনিংবা ৱাফমদি থবক অমা হেক লৌবদা করপসন লৈহল্লোইসি হায়রবদি অকক্লবা মতমদা থবক অদুগী রিজল্ট য়াম্না থুনা হায়দোকপা চঙই। মদুনা থবক লৌবদা করপসন তৌবগী চাং য়াম্না হন্থরক্কনি। থবক লৌবগী রিজল্ট থেংনা হায়দোকপদা এম এল এ অমত্তনসু পি আই এল ফাইল অমত্তং ফাওবা কনানা তৌনরিবগে? কেন্দ্র ৬০গী এম এল এশিংনা পুকচেল শেংনা থবক তৌনরক্লবদি করপসন লায়না মুথৎপা ঙমগনি থাজে।

**ৱাহং :** লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্লা থবক তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তৌরে। মসিগী মরম করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

পাউ : লুপা ক্রোর কয়াগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক পুরকপা মতমদা হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিল্লিবা অমদি থীজিন-হুমজিন তৌরিবা মীওইশিং করিমত্তা খঙলমলোইদ্রা? করিগীদমক য়ূমদা অমদি ক্বাটরদা খক ফাবা ঙম্লিবনো? অদুক য়াম্লবা পোৎশকশিং অদু মীওইশিং অদুগী য়ূমদা মতৌ করম্না য়ৌরকখিবগে হায়বগী ৱাহং অসিগী পাউখুম চপচানা পীবা ঙম্লবা অমদি পুকচেল শেংনা হায়বা ঙম্লবা মতম অদুদা মণিপুরদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক মুথৎপা ঙমগনি। তশেংনা লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্লা ময়াই কাবা চিঙ্গাক পুকচেল শেংনা মাঙহনবা পাম্লব্রা হায়বগী ৱাহং অসিমসু হংমিন্নখিসি।

**ৱাহং :** থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : অনইমপ্লোয়মেন্ট হন্থহনসি হায়রবদি ইমপ্লোয়মেন্ট ওইরক্দৌরিবা মীওইশিং অমদি লৈঙাক্লা মায়কৈ অনীগী মতেং তৌনবা চঙই। মহৈরোয়শিংনসু মপুং ফানা লাইরিক তমদুনা অৱাংবা মখলগী কম্পিটিটিভ এগজামশিংদা শরুক য়াহন্নিংই। ষ্টেট অসিদা থবক তৌবা খক খনবগী মহুৎতা সেন্ট্রলগী কৌরিবা মপানগী পোষ্টশিংদসু শরুক য়াহন্নিংই। লোয়ননা লাইরিক তম্লিবা অসি শুপ্নগী গভর্ণমেন্ট জোব তৌনবগী খক তম্বনি হায়বগী ৱাখল্লোলসু থাদোকসি। মরোইবু থারবসু, চিকন সেন্টর নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা থবক অমা য়াম্না ফজনা তৌবদা য়াম্না লায়না অদুমক হিংবা ঙম্বগা লোয়ননা চাওখৎপসু ঙমগনি।



HL-B/7016/2-31july

## ডা. আর কে রঞ্জন

*লামায় ১গী মখা...* তুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চ্যের লৌদুনা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা অনৌবা মিনিষ্টরশিংগী মীফমদসু শরুক য়াখ্রে হায়রি।

ডা. আর কে রঞ্জননা মহাকপু মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেল এফ্যের্স অমসুং মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এদ্যুকেসন ওইনা হাপ্লকপদা লৈঙাক অসিবু লুচিংলিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মণিপুর মীয়ামদসু ঈকায় খুম্নবা উৎলক্লি।

অমরোমদা, মহাক্লা মিনিষ্টর ওইরকপদা অৱাং পোৎশংবমদা লৈবা আর কে মিসনগী চীফ ট্রষ্টি আর কে গুনচন্দ্রনা থোরকপা চেরোল অমনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

এম ও এস ওইরবা ডা. রঞ্জন মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কোলেজ দিভেলপমেন্ট কাউন্সিলগীসু দিরেক্টর ওইরমখিবনি হায়রি।

ꯄ꯭ꯔꯁꯥꯔ
**KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE**
Regd. No. 422 of 2020 (Govt. of Manipur)
CIN Regd. No. U80903MN2021PTC014275 (MINISTRY OF CORPORATE AFFAIRS, GOVT OF INDIA)
AVIATION COURSE, SPOKEN HINDI, SPOKEN ENGLISH, COMPUTER (NIELIT) & STOCK MARKET
Dedicated Service since 2001 till date.
**ADMISSION OPEN FOR ONLINE COURSE**

| Sl.No. | COURSE NAME | DURATION | COURSE FEE |
|---|---|---|---|
| 1 | DCA | 6 Months | Rs. 2000/- |
| 2 | CCC | 2 Months | Rs. 1500/- |
| 3 | OFFICE AUTOMATION | 2 Months | Rs. 1500/- |
| 4 | TALLY with GST | 2 Months | Rs. 1500/- |
| 5 | PROGRAMMING C | 1 Months | Rs. 1500/- |
| 6 | PROGRAMMING C++ | 2 Months | Rs. 2000/- |
| 7 | SPOKEN ENGLISH | 2 Months | Rs. 1500/- |
| 8 | SPOKEN HINDI | 2 Months | Rs. 1500/- |
| 9 | STOCK MARKET & TRADING | 2 Months | Rs. 15000/- |

For More Details Please Contact :- ✆ +91 70056 22203 / ✆+91 88374 07726
# 1/2 persons online Spoken English class AVAILABLE.
Kingdom Educational Institute,
Old Lambulane, Jail Road Opp. GP Women's College
Imphal - 795001
HL-B/6865/7,9,11,13